হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ১৯, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫৫ শুবা মশীং

# মিনিষ্টরনা উ পুরকপা ট্রক ফাবা

## ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংসু থবক হৌরসি

উমং হায়বসি মীওইবগা থাদোক্নবা য়াদবা মচাক অমনি। মসিনা মীওইবদা তঙাইফদবা পোৎলম কয়ামরুম ফংহনবদা নত্তনা অঙৈং-অশাগী খল, নোংজু-নুংশাগী চাং কায়হন্দনা থম্বদা অচৌবা মতেং পাংলিবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মালেম তাইবঙপান অসি মীওইবা অদুখক্তগী নত্তবগুম উমং হায়বসিংসু লম্নক্কী শা-উচেককিশিংগী ময়ুম ওইরি। মরম অদুনা উমং কোকথোক্তুনা মাঙহনবা নত্ত্রবা মপূং ফাদবা উপালশিং পাক-শন্না য়াম্থুপা হায়বসি ঐখোয়না ইশাদা খৎনবা হৌজবগী চপ মান্নে। উমংদা হৌরিবা উপালশিং মথোং-মরম খঙদনা শেল খরা ফংনবগীদমক পংয়ান্দা য়াম্থুপদগী মীওইবা খুন্নাইনা ফংলক্লিবা চৈথেং অসি খ্বাই তরানা নৈনবা মতম হেল্লেবনি। মণিপুরসু অদুমঙাই, ষ্টেট অসিগী পাক চাউবা চাংগী চাদা ৭৫ উমং ওইনা হায়রম্বদগী হৌজিক্তি উমং হায়বদু কদায়দা লৈরেগে হায়না খিবা ফংলক্ত্রে। রিমোট সেন্সিংগী মতেং লৌরগা নোংথক্তগী উমং থিবদা অৱাবা ওইরে। অয়াম্বা মফমদা ইকোক কোক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা অঙৈং-অশাংগী খলদা শাথিনা কায়থরক্লে। নোং খজিক্তু চুবদা ঈশিং ঈচাউ থোকপা অমসুং ঈকং থা মতমদা তুরেলগী ঈরি তৎতুনা থক্লনবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরক্লিবা কয়া অসি উমং কোকথোকখিবনিনি হায়বসি ঐখোয়না কাওরাইদবনি। হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না উখ্রুলগী মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম হায়বদি, সেরারখোং খুলদা চীং নমথখিদুনা খুল অদুগী মীওই কয়ামরুম অৱাবা নংলিবদুগী মরম উ-ৱা য়াম্থুৎখিবদগীনি, উমং-ৱামং তুমশিল্লকপদগীনি হায়বদু ৱাহস্থেক লৈ হায়না লৌদবা য়ারোই। চীংমীশিংনা মখোয়গী খুলদা হৌবা উপাল-ৱাপালশিং শিং ওইনা শিজিন্ননবা খরা খজিক য়ানবগী মথক্তা লল্লোনপোৎ ওইনা লৌরকই অমসুং চহী কয়া মীয়ামগী মথৌ তৌদুনা লাক্কবা অচৌবা উপাল কয়া য়াম্থুৎলি। মসিননি ঐখোয়না মহৌশাগী খলদা তমথীরবা চৈথেং অমা পীবা হৌরক্লিবসি। মসি খঙনা ঐখোয়না পুম্নমক্তা থবক তৌবা চঙই।

উখ্রুলগী শিরুইদা পাঙথোকপা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল হৌদোকপা থৌরমগী প্রিসাইদ তৌবা চৎপা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ইম্ফালদা হল্লকপগী লম্বীদা ম্যান্মাররোমদগী উমং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী য়ুম্বা নাগালেন্দলোমদা পুশিনখিগদবা চাউর-চাউরবা উগী বিম কয়ামরুম হাপ্তুনা পুরকপা ট্রক ১৪ ফিন্স কোর্নরদা ফাখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। থৌদোক অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অতাঙবা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌরবসু য়াই। শাংলবা চহী কয়াগী মমাঙদগী লম্বী অসিদা উ লল্লোনবশিংনা থিফম থোকপা টেক্স অমত্তা লৈঙাক্তা থিদনা উ লোদ কয়ামরুম মপান্দা থাদোক্লি। সুপ্রিম কোর্টনা উ পুথোক-পুশিন তৌবা য়াদে হায়বগী অথিংবা লৈরবা ফাওবদা মখোয়না থওইদে অমসুং খুৎলায় পায়বা লূপ খরগা য়ানরগা য়াল্লবা উপালশিং য়াম্থুৎতুনা লল্লোনপোৎ ওইন মপান্দা থাদোক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মরক-মরক্তা মোরে-ইম্ফাল লম্বীদসু অহিং নোংয়াইদা চত্থবা উই। লোনা য়াদবা মওংদা পুরক্লিবা উ বিমশিং অদু পুলিসনা থৎলি অমসুং মখোয়গী নামৈ শেল লৌহৌরগা থাদোকই। হায়রিবা থৌওংশিং অসি কামজোং নৎত্রগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টলোমদসু ঙাইহাক লৈতনা চৎখে হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙই। মীয়াম্না খঙবা ৱাফম অমা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনসু খঙদবা হৌনদে। অদুবু মখোয়দা করি অশোনবা লৈবদগীনো হায়বা খঙদনা তরায়-তরায়না লল্লোনবশিং অদুনা পুরকপা উ বিমশিং অদু থাদোকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হ দক্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী রেভিন্যু অসি লুপা ক্রোর কয়ামরুম হেনগৎহনগনি হায়খ্রে। ফোরেষ্টতগী রেভিন্যু হেনগৎহনবা হায়বসি তুরেলদগী নৎত্রগা চীংদগী নুঙ লৈঙোই কোৎলগা য়োনবদগী ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা উমংগী পোথোক ওইরিবা উ পাম্বীশিং য়াল্লগা লল্লোনপোৎ ওইনা পুরকপদা টেক্স লৌবা অমসুং ফোরেষ্টকী পোৎলমশিং নিলাম তৌবদগী ফংলকপা শেনফম অদুনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি হান্নদগী অদুমক কাদুনা লাকফম থোকপনি। অদুবু পুকচেল শেপ্পা, মীয়ামগী খন্দবা লল্লোনবশিং অমসুং মথৌ চুম্না তৌগনি খঙদবা ওফিসলশিংনা খপ্তুনা লাকখিবনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি টেক্স হেন্না কাননবগীদমক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিং পুকচেল শেংনা মথৌ তৌহনবদুনি। অদুবু মথৌ তৌনবা হোৎনবদা মখোয়দা করি খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবগে হায়বদুসু মিনিষ্টরনা য়েংশিনবীগদবনি। অমরোমদা রেভিন্যু হেনগৎহন্ননবা হোৎনবদা মহৌশাগী খলদা চৈথেং পীরক্কদবা থবকশিং করি করিনো হায়বদুসু লৈঙাক্লা খন্থবীরগা থবক তৌহন্নিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## থুপ্তুনা লৈবা কাঙলোন

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইম্ফাল** ম্যুনিসিপালিটি অসি অর্বানগী ওইনা শেমগৎ শাগৎপা লু-নানবগী অচৌবা থৌদাং পুরিবা বিভাগ অমনি। মণিপুরগী শকয়েং মিংশেলনি। মসিগী মনুং চন্না কংলা পাৎ অসিসু শরুক অমা ওইরিবনি। য়াম্না ফজনা শেমগৎ শাগৎতুনা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইজরে, মফম খরদা লৈরাইদা নাপী, উ-মচা কয়া হৌরকপা, নিতাইপাৎ চুথেক হায়না খঙনবা অদুগী মনাক্তা লৈবা কংলাপাৎকী সিড়ি থাক্তা মোৎলিবা অসিদি কনামত্তনা য়েংশিনবীদবনা অমোৎপনা থন্না পৈদুনা লৈরে। মফম অসি লু-নানবদা য়াওদবনরা? ম্যুনিসিপাল অসি কোর্পোরেসনদি ওল্লে অদুবু পৱারদি পীদে। মসিনা করম্বা থৌওংনো, লৈঙাক্কী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি। হান্না চৎনরম্বা কোর্পোরেটরগী মখাদা লৈরম্বা নোমিনি মেম্বরসু হাপতে। নোমিনি য়াওদ্রবদি বেঙ্ককী খূৎথাংদা পীথরকপা শেমগৎ শাগৎপগী শেনফমসু পীবিদ্রে হায়না মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখ্রবা কোর্পোরেটরশিংনা ফোঙদোকপীরকই। পৱার শিনরবদি অসিসু মথৌ তাদ্রে হায়বিরকই।

অতোপ্পা অমনা মীচম মীয়ামগী ওইনা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা খনখ্রবা খঙ হৈরবা মীওইশিং মাগী মাগী পার্টি টিকেটতা মীহুৎ ওইনা খনখ্রবা (কাখ্রবশিং) মশাগী পার্টি থাদোক্তুনা লৈঙাক পায়বদা চোঙশিনবা ওপোজিসন ওইবা হৈতবা মীওই ঙাক্তনা থল্লে ঈশিং ঈচাওগুম। মীহুৎ ওইদ্রিঙৈদা চৈবা য়াবা চৈখ্রবা পার্টি, ফৎত্রে হায়রম্লগা হেন্না ফরে খন্দুনা খোঙলৈ থুনা চঙবসি, হিমাই লৈবসি মশাগী ওইজ-ওইথক তানবনি হায়না মীয়াম্না লৌদবা ঙমদে। লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয় শেংনা থৌগল তৌবা মতমদা পার্টিদগী করিসু পুরকপা নত্তে। থম্মোয় শেংনা মশাগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্লবদি করিগী চাকথুং ফংওইদবগী মরম লৈতে। লৈবাক্কী মকোক ওইনা থৌ পুবিরম্বা মীওইশিংনা ৱাখল তাদ্রবদি কনানা ৱাখল তাগনি, তোরৈগা পাঞ্জক ওইরোইদ্রা। চিংনদবা ঙমদে মাঙলমচৎতা অরানবা কয়া তৌখিদুনা মশা কঞ্জনবা রুলিং পার্টিদা মকা ফনা চঙলিবরা নৎত্রগা কাকফৈদৌনা লাম লামদুনা মীয়ামদগী ঈ চুপ্লিব্রা ঙক্তবা ঙমদে। মীচম মীয়ামগী ৱাখলদা মকায় মকায় তৌরকপা অসিবু লৌনগনবা লায়ওং খঙদবা লায়নারা নৎত্রগা ওইজ-ওইথক থিব্রা নৎত্রগা কেন্দ্র অদুগী চাকথুং লৌনীং চানিংবা হেন্না ফংনবা, শেমগৎ শাগৎপগী ৱাখল্লোন লৈবনরা, চাওখৎ খোংথাংগী অওনবা লৌনৌ নিনবগী থৌরাংশিংগী মখাদা লাকপা পূক্নিংগী য়ৱারা হায়বসি পুম্নমক্কী ৱাহংনি। ঐখোয়না পামজবদি অমবু ওইরে অমবু ওইরে ইচা মীচা য়োংলৈ মেল্লে নাইদনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী ওইনা খনবিদুনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী থম্মোয় শেংনা মীনম শোরিবা য়াওদনা তৌবিরক্লবা পাউদমজরি।

ফজবা কাঙলোন কায়দনা মহৌশাগী খোঙচৎ খোঙলোই তুংইন্না অচুম্বা, তুং কোইনা চৎনগদবা লৌশিংগী পুক্কে, তংদু লৈতাবা, চান্না চিন্নবগী ৱারোলশিং পুথোক্তুনা নৈনবিয়ু। থম্মোয়বু শেংনা তৌরবদি রুলিং ওইরো, ওপোজিসন ওইরো অফবা খোঙথাংগী তুং ইনবা হায়বসি মশানা তাবনি। অফবা খোঙথাংদি কনানসু থিংবা ঙল্লোই। অহল লমনগী পাউরৌদা হুইগী মমৈ অখোইবা ৱাচপ থাদুনা চুমথোকপা ঙল্লোই হায়নৈ। থোইদিং মরুশিং হৈদোক্লগা খুনবা ওইনা থোক্লদ্রা?।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

# মীয়ামগী নুমিৎ ঃ মনাইনা মপূবু কিজবা, মশক খঙলকপা



### অওনবা মালেম

### সৌবাম তোম্বা লুৱাং

*হৌজিক* মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসি লৈবাক মপূ পানবগী খুদম খরা উবা ফংলে। মীয়ামগী নুমিৎ হায়বা অমা থোক্লক্লিবসি লৈবাক মপূ পানবগী খুদম অমনি। মমাঙদা লৈঙাকখিবা গভর্ণমেন্টশিং লৈবাক মপূ পানবগী থবক তৌরমদে হায়বমক্তি নত্তে। অদুবু লৈঙাক্তা খরা কোল্লপ চৎলি হায়বগী ৱাখক্তনি। অদুগা লৈবাক্কী মপূ ওইরিবা মীয়ামগা লৈঙাক্কা নকশিন্নবগী মমি তাবা খরা ৱাৎলি হায়বখক্তনি। মীখলগী মতমদতা পানখিবা লৈঙাকশিংদুগা মীয়ামগা য়াম্না নকশিন্নবগী মমি তাবা তোয়না উখি। অতৈ মতমদদি লৈঙাক্লা মীয়ামগা থোয়না হেন্না নকশিন্নবা উখিদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু ৱাফম অমদি হায়রকপা য়াই মদুদি মীয়ামগা লৈঙাক্কা য়াম্না তোয়না উনবগী থৌরম পাঙথোক্লগা মীয়ামগা লৈঙাক্কা হেক্তা নকশিন্নরে হায়না লৌবদি য়ারোই। অদুম ওইনমক মীয়ামগা হকথেংননা উনবগী থৌরম অমা থম্বসিমদি য়াম্না ফৈ।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মিনিষ্টরশিং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং অমদি লৈঙাক্কী মকোক থোংবা থৌপুবশিংনা মীয়ামগা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানবগী নুমিৎ অমা থা খুদিংগী তাং ১৫ দা 'মীয়ামগী নুমিৎ' হায়না থল্লিবসি য়াম্না ফৈ। লৈবাক্কী মপূদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম অসিনি। লৈঙাক্লিবা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং অমদি মরুওইবা ফম্নাইবশিং অসি নত্তে। মখোয়শিং অসিদি ফমতবু চাউনা উবনি। অদুবু তশেংনমক্কিদি লৈবাক্কী মপূদি মীয়াম অসিনি। মীয়াম হায়বসিদা লাইরিক হৈবা-হৈতবা, তোলোপ চাবা চাদবা, লায়রবা-ইনাকখুনবা লোয়নমক য়াওরবনি। পূম্নমক অসিনা মীখলদা ভোট থাদরগা লৈঙাকপগী থৌদাং লৌরুনবা মীহুৎ খল্লিবনি। চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিং অসি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং কয়াগী থবক তৌরক্ক বা মীয়াম্না মশাগী মীহুৎ খঞ্জদুনা থারিবনি। অদুননি মখোয়শিং অসি মীয়ামগী মীহুৎনি মীয়ামগী পাউখোল্লোয়নি হায়রিবসি। মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎ অদুনা মীয়ামগী থবক তৌরুচো হায়দুনা থাখ্রগা মশাগী অমদি ইমুং মনুংখক্তগী নুংঙাইনবা থবকতমক তৌদুনা লৈরবদি মীখল মতমদা ভোট ফংদদুনা মায়থীবগী থৌদোক লৈরিবসিনি। মখোয়না ভোট অমুকপু কাখ্রবদি মপুন্সি চুপ্পগী নৎত্রগা তোলোপ চাবা থবক তৌবদৌনা মশাগী চহী ৬২/৬৫ ফাওবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা অদুমক লৈরগদবনি হায়বা লৈত্রিবসিনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা চহী মঙাদগী হেনবা য়াদে হায়বা রুল অমা লৈরিবসি মীয়ামগী হকনি। মসিদগীদা হেন্দোকপা য়াবা নত্তে। চহী মঙা হেন্দোকখিবদা মখোয়দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী ফংলম্বা পৱার অদু লৈত্রে। অচম্বা মীচম অমগা পাঞ্জক ওইরে। মখা তানা মীয়ামগী মীহুৎ ওইজগে হায়রগনা য়াল্লবা মীয়ামদা অমুক চঙজবা তাবা। মীয়াম অমদি মীয়ামগী মীহুৎ অনী অসিগী মরী অসি য়াম্না মরুওইরে। অদুবু হৌখিবা চহী কয়াদা পানখিবা গভর্ণমেন্টশিংনা মসিগী মরী অসি কাউথোকখিবগুম তৌই। মদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামসু মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরশিং, মিনিষ্টরশিং অদু মখোয়না মখোয়গী থবক তৌরুচো হায়দুনা এসেমব্লিদা থাখিবনি হায়বসি কাউথোকহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম অমদি মশাগী মীহুৎ অনী অসি থায়নগী নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ওইরম্বা নিংথৌগা মীয়ামগা য়াম্না লাপ্লবা মরী অদুগুম্না তৌই। অদুবু খেন্নরিবদি নিংথৌদি মীয়াম্না খনবা নত্তে নিংথৌকোলগী ইমুং মনুংনা খঞ্জবনি। অমরোমদা ঙসিগী দেমোক্রেসিদদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং মীয়াম্না পামজনা খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা ওইরকপনি। মীয়ামনা খঞ্জবা মীহুৎতুনা মীয়াম্বু কাউথোক্লবদি লৈবাক অদু নুংঙাইফম করিসু লৈরোই।

চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তি গভর্ণমেন্টনা তৌগদবনি। অদুবু মীয়াম্নসু অসিগুম্বা থবক পায়খৎলু হায়না লৈঙাক্লিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংদা হায়বা য়াই। মীয়াম্না করিবু খঙলদুনা, ঐখোয়না মিনিষ্টর ওইরিবনি, লোয়না খঙলে হায়দুনা মীয়াম্বু থওই-ৱাওইদনা হে তোংবদনি লৈবাক ঈরাং হৌনবগী মচাক ওইরক্লিবসি। মীয়ামগী মরক্তসু লম কয়াদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া লৈরি। ভোট লেপত্রে হায়দুনা মীয়াম্বু খঙদবনি-উদবনি হায়না লৌবদি লানগনি। মীয়ামগী হায়বব লৈঙাকপশিংগুম থবক তৌনবগী পৱার অদু লৈতবখক্তনি। চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ওইরবা মীওই খুদিংমক য়াম্না হৈ-শিংলবা মীওই ঙাক্তনি হায়বদি য়াদে। মখোয়দা গভর্ণমেন্টকী পৱার লৈবদগী য়াম্না খঙবা-হৈবা, শিংবা মান্না উবনি। পৱার হেক পায়দবদা মখোয়না খঙদবা-হৈতবনি হায়না লৌবিরিবা মীয়ামগা চপ মান্নে। খদুনা অমুক্তা য়েংবিয়ু মহৈ-মশীন হৈবা ৱাৎপা, থবক তৌবদা মমিৎ-মনা শিংদবা মীওই কয়া মীখলদা মীরেপ ওইখি। মখোয় কয়া অমসু মীখলদা মায় পাক্লক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা এসেমব্লিদা চৎখি। হঞ্জিন হঞ্জিন ফেংবদা থৌ হায়বা য়াদ্রবা শীজিন্নবা পামদ্রবা থাঙগুল্লবা মীওই কয়াসু মীহুৎ ওইনা এসেমব্লি য়ৌখি। মদুসু মখোয় খন্থবা চুম্মী।

চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং অমদি মকোক থোংবা ফম্নাইবশিংদি অয়াম্বা মতমদা ওফিসতা ফমদুনা মথৌ তৌবনি। চীংয়া-তময়াদা চৎতুনা থবক য়েংশিনবা লৈতবনিনা তশেংনা মীয়াম্না মফম কয়াদা থেংনরিবা অৱাৎ-অপা, খুদোংচাদবশিং অদু হকথেংননা খঙবা/উবা ঙমদে। খঙলবসু মদু মীওই খরনা পাউদম্বা ৱানি। মসিনি মীয়ামগা মশাগী মীহুৎকা শম্নদবগী খুদম। মরম অদুনা 'মীয়ামগী নুমিৎ' হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকপা হৌরক্লিবসি য়াম্না ফবা থবক অমনি। চহী খরা/থা খরা তৌরল্লগা তোকথোকখ্রবসু অদুমক ফৈ। অদুবু লেপ্তুনা চত্থরবদি য়াম্না হেন্না ফবা হায়বদু ওইগনি। থবক শুফম ফিল্দদা লৈরিবদি ভোট থাদদুনা মীহুৎ থাগৎখিবা মীয়ামদুনি। অদুগা মীহুৎনা লৈরিবনা ওফিসতনি। চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া ফজনা তৌবা লোইরে হায়দুনা চেদা নৎত্রগা ফাইলদা লৈরবসু করিসু কায়দে অদুবু তৌবা লোইখ্রবা থবক অদুনা লৈবাক্কী মপূ ওইরিবা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লব্রা হায়বসিনি মীয়ামগী মহুৎ মরেং শিল্লিবা চীফ মিনিষ্টরনা, মিনিষ্টরশিংনা খঙবা মথৌ তারিবসি। তৌবা লোইখ্রবা থবক অদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরমদ্রবদি মিনিষ্টর ওইরুবগী করি কান্নগনি। চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিংনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক শুরিবা মফম পুম্নমক্তা কোয়চৎ-চৎতুনা য়েংশিনবসু ঙম্বা নত্তে। মরম অদুনা মীয়ামগা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শাবা অসিদগী খঙবা ঙমগনি লৈঙাক অসি মীয়ামগী ওইনা লৈরিব্রা নৎত্রগা মীওই খরখক্কী ওইনা লৈরব্রা হায়বদু। ইশম শম্না হেক হায়রবদা লৈঙাক অসি মীয়াম্না পাম্নরিব্রা নৎত্রগা খারবরা হায়বদু খঙবা ঙমগনি। য়ামখ্রবা মীয়ামদি মচিন থিরোই। পংলবা, পৱার লৈজদবা মীয়ামগী মচিন্দগী কান্নরবা ৱাফম কয়া তাবা ফংগনি লৈঙাক অসিনা। মীয়ামগী খোল্লাউদি তাইবঙ মপূগী পাউজেলনি হায়বদু খঙবগুম তৌই ঙসিগী গভর্ণমেন্ট অসি। ভোট থাদগদবা মীয়াম্বু লুনা তৌবনি। অনীসি নকশিন্ননা চৎমিন্নরিখৈ অকায়বা কয়া লৈরোই লৈবাকসিদা।

মীয়ামগা উনখৈ-উনরগা থবক তৌরক্ত্রবদি কান্নদে হায়বা মীওইশিংসু লৈতবা নত্তে। অদুবু মীয়াম্না হায়রিবমখৈ গভর্ণমেন্টনসু তৌগদবা নত্তে। হায়রিবা থবকশিংদুগী মনুংদা তৌবা য়াবা/ঙম্বা হায়বসু লৈ। অদুগা মীয়াম্না হায়রিবা থবকশিং অদু কয়া য়াম্না লৈবাক মীয়ামগী ওইবা কান্নগদবা মওংদা হায়রিবরা হায়বদুসু খন্থনিংঙাই ওইরি। মীয়াম্না মশা মশাগী ওইবা ৱাফম কয়াসু হায়দবা নত্তে। মীয়ামগী ওইনা কান্নগদবা থবকশিং অদুদি গভর্ণমেন্টনা পন্থবা তৌদনা পাঙথোকপা চুম্মী। মীয়ামদগী ৱা তানবখক্কী ওইনসু তৌবা চুমদে। অদুবু মীয়ামদগী ৱা তারিবসিমদি য়াম্না ফরে করিনা হায়বরু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না করি করম্বা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি হায়বদু শোয়দনা খঙলম্লগনি। মসি মমাঙদা লৈঙাক্লম্বা গভর্ণমেন্টশিং অদুনা মীয়ামদা পীরম্বা অচৌবা খুদোল অমনি। মীয়াম্নসু পাউদম্লবনিনা ওফিসনা তৌবা থবক্তা অশেংবা থবক্কী মওং অদুগা চাংদম্নদুনা ফনা তৌরে নৎত্রগা ফনা তৌদ্রে হায়বদু চাংদম্নদুনা য়েংবদা লায়না থোক্লগনি। মসিমক মনুং মপান ফাওনা উহনবা ঙম্বা লৈঙাক অমগী থৌশিলনি হায়নীংই। মসিগা ইরোয়ননা শেম্বীবা মপূ (মীচম-মীয়াম) মশক খঙবা, মপূবু কিবা ফাওজবা গভর্ণমেন্টনি হায়না লৌবসু য়াই।

# লৈঙাক্কী থবক খুদিংমক্তা করপসন লৈহনবীরনু



### মতম মতমগী ৱাফম

### সেঞ্জম দেবেন

*মণিপুরগী* অনৌবা লৈঙাক্লা লমদমসিগী করপসন মপান-মরূ ফুক্লা লংথোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংসিমক্তি অসুক্কী মতিক থাগৎনীংঙাই ওই। মতমসু চপ চারে, মণিপুরদা ঙসি-ঙসিমক চত্থরিবা করপসনগী থৌদৌসি অথিংবা অমা লৈহৌদ্রবদি মতম ইকুই-কুইদনা লমদমসি শোয়দনমক্কী মুৎখ্রগনি। ষ্টেট অমদা করপসনগী চৎনবী থিংবা হায়বসি ষ্টেটতুবু ঙাক্লিবা লৈঙাক্তুগী খূত্তা শরুক চাম্মদা চাম্মা লৈ। লৈঙাক্তুগী মনুংদা অমুক্কসু, লৈঙাক্তুবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরদুগী খূৎতা, ষ্টেটতুদা করপসন লৈহনবা অমসুং লৈহন্দবা হায়বসিগী থৌদাং মপূং ফানা লৈ। করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়না খক ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টরগী অপাম্বা অমসুং থৱায় য়াওবগী থৌদৌ য়াওদনা, ষ্টেট অমদা করপসন মপূং ফানা থিংখিবা অমসুং করপসন চত্থহনখিদবগী থৌদৌশিং খক তানদ্রি। তুংদসু তারক্কনি থাজদে। ইশেংমক শেংনা হায়রবদা মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা, লমদমদুগী, লৈঙাক্তুগী হেদ (মকোক) ওইরিবা লুচিংবদুমক্কী মশাগী হৈনীংবগী ৱাখল্লোন য়াওদনা কৈদৌঙৈদা খক, লমদমদুদগী করপসন মুখৎহনখিবা ঙল্লোই। হন্দক্কী মণিপুরগী তাঞ্জাসিদি তশেংনমক, খুদোংচারবা তাঞ্জা অদুমক্লি হায়নীংই। তাঞ্জাসিদা মণিপুরদগী করপসন মপূং ফানা মুখৎহনহৌদ্রবদি, মতুংদা অমুক হন্না মণিপুরদা করপসন মুখৎহন্নবগী খোঙজংশিং মপূং ফানা চঙশিনবা খক ওইথোক্কনি থাজদে। মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্লসু হন্দক্কী খোঙফমসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা করপসন থিংনবা খোঙজংসিদা অঙম্বা তেংবাঙশিং পাংবীবা ফৱা খল্লি।

অদুমক ওইদুনসু, শত্রংগী খোঙমীশিংতনা মতম লৈবা খিবিক্তা মাঙজিন থানতা শিবগুম, মণিপুর লৈঙাক্কী করপসন থিংনবগী লাঞ্জংশিংদসু শুপ্নতগী থবক মচা-মশুশিং তৌজবা, করপসন তৌরবসু মখায়-সিকিদা তৌজবশিংখক্তদা মিৎয়েংফম ওইনবগী থৌদৌমক্তি চত্থহঞ্জনীংদে (চৈথে হায়বা নত্তে)। শম্না হায়রবদা, মণিপুরদা অচৌ-অচৌবা শেনফমশিংদা করপসন তৌরিবশিং, খুদম ওইনা, লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং লৌবগী থৌদৌশিংদা, লৈঙাক্কী অচৌ-অচৌবা ফমশিং খন্নবগী পাঙথোকপা ইগজামশিংদা, থিকাগী থবক খূৎশু য়েংশিনবগী থবকশিং অমদি বিল পীথোক-পীশিনগী থৌওংশিংদা অমসুং লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট কয়াদা চত্থনরিবা সপ্লাইগী থবকশিংদা এন্টি-করপসন সেলগী থৌরবা মিৎয়েংশিংসি য়ৌশিনহন্নীংই। হায়রিবা থৌদৌশিংসিদা চত্থনরিবা করপসনগী থৌদৌশিং, থবক মচা-মচাশিং অমত্তা নত্তে। অপীকপা শেনফমশিংনা চত্থবা য়াবা করপসনশিংসু অমত্তা খক ওইদে। মণিপুরদা চত্থনরিবা করপসনগী থবকশিংসি, অয়াম্বদি অচৌ-অশাঙশিং, লৈপাক্কী লৈঙাকপশিং অমদি অচৌবা ব্যুরোক্রেট লেভেলগী ওফিসরশিংসিতনা লমজীংবীবা ঙাক্তনি। মখোয়ননি, দিপার্টমেন্টগী থবক মচা-মশুশিং তৌজবা অনেম্বা থাক্কী লৈঙাক্কী থৌমীশিংবুসু করপসন তম্বীরিবা অমসুং হৈহনবীরিবসি। ফীভমসিদনি, লৈঙাক্লা থিংঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংলোমদা তাইনবগী থৌদৌশিং কৈদৌঙৈদসু খক তৌবীগনু হায়বা হীরমসিদা, লৈবাক মীয়াম্না মরক-মরক্তা হেক হেক লাউনরক্লিবসি। হীরমশিংসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী এন্টি করপসন সেলগী অথৌবা অমসুং মনুং হুৎনা য়ৌশিনবা ঙম্বা অকনবা মিৎয়েংশিংদু চঙহন্নীংই। পঞ্জনীংবা অমনা, শুপ্নগী মীয়াম্না থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং অমদি কেসশিংখক্তমক লৈঙাক্কী এন্টি করপসন সেলনা লৌখৎপীবগী ৱাফম খক নত্তে, সেল অসিগী অতোপ্পা ব্রাঞ্চশিং কয়ামুক অমসু মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হাংদোকপীদুনা, মণিপুরগী মফম খুদিংমক থুংনা এন্টি করপসন সেলগী মিৎয়েংশিংসি য়ৌহন্নীংই। মথক্কী ৱাফম খরসিদা ফোঙদোক্লিংলিবসি অতৈ করিসু নত্তে, মণিপুরদা অচৌ-অচৌবা করপসনশিং তৌবা, অচৌ-অচৌবা মীওইশিং কয়ামুক্কী মথক্তসু এন্টি করপসন সেলগী অসিগুম্বা চেকশিন্না য়েংবা অমসুং থৌরবা মিৎয়েংশিংসি চঙহন্নীংই হায়জবনি। মিৎয়েংশিংসিগী মহয়শিং কয়ামরুমসু মীয়াম মাঙদা ফোংনা খঙহন-উহন্নীংই। মণিপুরদা এন্টি করপসন সেল হাংদোকপদা মীয়াম্না হরাউনৈ অদুম ওইনমক, মতম অমদা মীয়াম্না খি-খি লাউনা কিনখিবা, এন্টি করপসন সেলদগী হেন্নসু থৌনা লৈফম থোকপা, লৈঙাক্কী ষ্টেট ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী সী বি আইনচিংবগী মথৌশিংনা ষ্টেটসিদা কমদৌখ্রবগে হায়বদুসু হৌজিক্কী মতমদা মশীং নাইদ্রবা ৱাহংশিং ওইনা হংনরি। অনৌবা ষ্টেট লৈঙাক্কী এন্টি করপসন সেলসিনা কয়াম কুইনা অমুক, মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বসিসু ৱাহংশিংদুগী মরক্তা য়াওদবা নত্তে।

করপসন হায়বা পোৎশকসি তশেংনমক্কীদি, তাইবঙ-মী হায়বা থৱায় পানবা কাঙলুপসিনা মালেমসিদা হিংলিবমখৈ য়াওন্নদুনা অদুম্মক লৈমিন্নরগদবা পোৎশক অমনি হায়নীংই। ঐনা তাইবঙসিদা খোঙদারকত্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা, ঐগী ইমা-ইপা অনীমক্কা লাইদা অচা-অথক, অথুম-অহাউ ময়াম অমা কত্তুনা ঐবু ফংজনবগীদমক অমদি মতিক-ময়াই চেনবা, মীথোই-মীহেনবা মীশক অমসু ওইহনবীনবগীদমক খুরুম্বীরকখিবদুদগী হৌনা করপসন হায়বসি হৌরক্লবনি। ইশাগী তোংজগদবা মওংদা মীবু য়ানীংহন্নবা অমসুং পেলহন্নবা হোৎনরিবা খুদিংমক করপসন্নি। হিন্দুশিংগী খ্বাইদগী ৱাংবা মহাভারতকী ৱারীদা, কৌরব-পান্দব মচিন মনাও অনীগী নুংগী ওইবা মুক্নবশিংগী মরক্তা দুর্যধন্না কর্ণদা অঙ্গদেস লৈবাক পীথোক্তুনা নিংথৌ খুভম হাপখিবা অমসুং মরুপ শান্নখিবসিসু করপসনগী অচৌবা খুদম অমনি। অমুকসু মহাভারতকী লান হৌরমদাইদা কুন্টিনা পান্দব মচা মঙা হাৎনবগী মৃতু শ্বর (থৱায় লৌনবগী তেনশিং), মপুন্সি চূপ্পগী ওইনা অপোকপী মমা মশক খঙজনবা থিজবতনা লাইনীং ওইজরিবা কর্ণগী মফমদগী মমা মশক খঙহনবীবগী খুদোল ওইনা নীথোকপীখি। মসিদগী হেন্না লূম্বা অমসুং চাউবা করপসন মালেমসিদা লৈরমখিগদ্রা? করপসন হায়বা পোৎশকসি তাইবঙ মীওইবগী হাকথক্তদি লায়রদুনা লাই ফাওবগী হাকথক্তগী হৌনা চৎনরক্লবা থৌদৌ অমনি। করপসন, শুপ্নতগী নেমথহনবা অমসুং পীকথহনবা খক নত্তনা কৈদৌঙৈদসু খক মপূং ফানা মুখৎপদি ওইথোক্লোই। ইলেক্সনগী মতমদা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্লা ভোট পীবিয়ু হায়দুনা ভোট্টরশিংদা ফোংনা শেল য়েল্লিবসি ভোট পীবিরক্লবগীদমক ফোংনা করপসন তৌরিবা নৎত্রা? ঐখোয়না করপসন্না থল্লবা লমদমদা করপসন তৌবা থিংনবা হোৎনবনি। হীরমসিদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শত্রংগী খোঙমী ওইবশিংগী অৱা-খোঙফমশিংদু শুপ্নগী লৈঙাক্কী থবক মচা-মশু তৌজবশিং খক্তদা, করপসন থিংবগী খোঙজংগী মিংদা মায়পুনহনবদি চুল্লোই ফোঙদোকচবনি। পাঙথোকপীবগী পাঙথোকপীবা, চত্থবীবগী চত্থবীবা, অচৌবা অৱাংবা থাক্কী করপসন মপীশিংগী থৌদৌশিংদসু করপসন থিংনবগী খোঙজংশিংগী মমি অথুবা মতমদা তাহন্নীংই হায়জবনি। লৈবাক্কী এন্টি করপসন সেলনা শুপ্নগী মীনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং অমদি কেসশিংখক্তমক ঙাইদুনদি লৈথোকহন্নীংদে।

করপসন মুখৎহল্লবদি লমদমসিদা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংসু মহৈ-মশীন অমদি লাইরিক-লাইশু তম্বগী হীরমশিংদা মপূং ফানা চঙশিনহল্লকপা শোয়দনমক্কী ঙল্লগনি। ঐখোয়গী নহারোলশিং, ইচা-ইশুশিং লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং ফংনবগী ৱাখল্লোনশিংদা ঙাক্তসু নত্তনা, তঙাইফদনা হিংনবগী লানফমদা লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈহনহৌবগী মথৌদি অসুক্কী মতিক তাই। হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক-লাইশুগী লম্বী য়াওদনা শুপ্নগী খুন্নাই অমত্তনসু, লমদম অমত্তনসু চাওখৎলকপগী থৌদৌ খক মশক উবা ফংখিরোই। চাউসু চাওখৎলকখিরোই। ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং লাইরিক-লাইশুবু নিংথিনা হৈহল্লবদি শোয়দনমক্কী লৈবাকসিসু মথন্তা চাওখৎচরক্কনি। চাওখৎলকপা হায়বসিদা তশেংনা এদ্যুকেসনগী চাউরবা খুদোল-পোৎ কয়ামুক অমসু চঙই। খুদোল-পোৎশিংসিগী মতেংননি ঙসিগী মালেমসিদা চাউর-চাউরবা মালেমগী লৈবাকশিং কয়ামরুম অমনা চাওখৎপগী ৱাংলবা ফস্ফমশিং কন্নখ্রিবসি। ঐখোয়সু মখোয়গুম মালেমগী চাওখৎপগী লমজেলদা মাঙজিন থাগৎলক্লিবা ফুরুপ হায়বদু অমুক্তং ওইমিন্ননবা হোৎনমিন্ননীংই। লমদমসিদা করপসনবু হন্থহল্লবদি মশানা চাওখৎলক্লবগী ৱাখল্লোনশিংসু অদুমক মপূং ফারক্কনি। করপসন লৈবনা মালেমসিদা, করপসন পামজবা মীওইশিংনা খুন্দাবা মালেমগী লৈবাক কয়ামরুম অমদা, ঙসি ফাওবদা চাওখৎপা মশক খঙদ্রি, লোয়ননা হিংমিন্নবগী নুংঙাইবা শরুকসু খক ফংঙমদ্রি।